**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নোনে জিলাগী অৰাং খুল অমদি লাংখোং অনিগী লোন্নবদা চীং নীংখায়বদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনখিদ্রে।

২) ৱাতর রিসোর্স বিভাগনা হায়রি- রাজ্য অসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমায় হন্থনবা ঈথাই অমসুং ইম্ফাল বেরাজগী গেটশিং হাংদুনা ঈশিং চেলহনখিনবা হোৎনরি।

৩) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ঙসি নুংশিৎ অমদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

৪) সংসদকী নোংজ্ মীফম মথং থাগী ২১ দগী পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী উপ-প্রধান মন্ত্রি রিচার্দ মারলেসনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱা খন্নখ্রে।

------

হাইৱে (এল)ঃ নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোনে জিলাগী মনুং চনবা অৰাং খুল অমদি লাংখোং অনিগী লোন্নবদা চীং নীংখায়বদগী লম্বী ফাওনখিদ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- চীং নীংখায়বগী থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৩ রোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি। মফম অসি নোং খজিক্তুং চুবগা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অসি তোইনা থোকপা মফম অমনি। হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী মমাংদসু চীংদগী চেন্থরকপা লৈনাংশিং লম্বী অসিবু শেল্লিবা কম্পনিগী মীওইশিংগা লোয়ননা শেংদোক্তুনা চৎথোক চৎশিন য়াহনখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবা এ.বি.সি.আই কম্পনিগী পি.আর.ওনা হায়- হৌজিক হৌজিক চীংথক্তগী লৈনাং লেপ্তুনা চেন্থরকপনা লম্বী শেংদোকপগী থবক অসি খুদোংচাগদবা মান্দে। হয়েং ফাওবদদি লৈনাংশিং অসি শেদোক্তুনা লম্বী ফাওনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনখিদবা অসিনা মরম ওইরগা তমেংলোং, নুঙবা, জিরিবাম অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎকদবা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা, তমেংলোং জিলাগী তৌসেমদগী কৈফুনদাই অমদি তমেংলোং তাবা মরুওইবা লম্বীশিং চীং নীংখায়বদগী লম্বী ফাওনবা ঙমদনা লৈরকখিবা অদু ঙসি ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ)না কৃষ্ণ কন্সট্রক্সন কম্পনিগা খুৎশমরগা শেংদোকপগী থবক চথরি। চীং নিংখায়বনা মরম ওইরগা লম্বী ফাওনদনা লৈরিবা অসি জিলা অসিগী মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা য়ুনিয়ন্না আপীল তৌরক্লি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী নুঙবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কম্বীরোল খুলদা থাউ পুবা গাড়ি অমা লোকখাদা তাশিনখ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ মিনিত ১০ তাবা মতমদা থোকখিবনি। থাউ পুবা গাড়ি অদু জিরিবামদগী ইম্ফাল তমা লাকপনি। অদুবু লাইবক ফবদগী গাড়ি অদুগী দ্রাইভর অদুদি কা হেন্না অশোক অপন য়াওখিদে। মহাক অসামগী

রাংপুরদগীনি হায়রি।

ঈচাউ(এল)ঃ ৱাতর রিসোর্স দিপার্টমেন্টনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল তুরেল, ঈরিল তুরেল, নম্বুল তুরেল, নম্বোল তুরেল, থৌবাল তুরেল অমদি মণিপুর তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা য়াবা থাক্কী মখাদা চেল্লবসু ৱার্নিং লেভেলদা লৈবনা ঈথাই বেরেজকী গেট ৪ ,ইম্ফাল বেরেজকী গেট ৪ হাংদুনা অহেনবা ঈশিং চেন্থখিনবা হোৎনরি। থৌবাল বেরেজকী ওইনদি গেট অমখক্তমক হাংদুনা থল্লি। শামুশঙগী রিগুল্যেলেতরদি থিংজিনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরবা ইমুং মনুংশিংদা রাস্ট্রিয়া স্বায়াম সেবক সঙ্গ(আর.এস.এস), মণিপুর অমদি মণিপুর সেবা সম্মিতি অনিনা খূৎশমদুনা মতেং পাংখ্রে । আর.এস.এস কী মীহুৎশিংনা ঈশিং ঈচাউনা চখোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবশিংবু শাফগদবা মফমদা পুথোকপগী থবক চথখি হায়রি।

শুশিন্দ্রো (এল)ঃ খুরাই বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ- লৈশাংথেম শুশিন্দ্রোনা হায়রি- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা খুরাই কেন্দ্রদা মীওই লিশিং ১০ হেন্না ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। মীয়ামা রাজনীতিগী খেন্নবা থমদনা অৱাবা তারবা মীওইশিং মতেং পাংমিন্নশি।

ৱাফম অসি ঙসি কেন্দ্র অসি তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প অমদি ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগা মরী লৈননা ফোংদোকখিবনি। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী শুশিন্দ্রোনা হায়- রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেল অহুম কায়রকপদা কেন্দ্র অসিগী মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীরি। কেন্দ্র অসিগী লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪৩ গী মনুংদা ৩৯ দি ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। মহাক া হায়- ৱাটর রিছোর্স বিভাগনা মেন পৱার য়াওনা মতেং তৌরকপা অসিগা লোয়ননা তুরেল তোর্বান কায়রিবা মফমশিংদা মেনবগী থবক চথরি। হৌজিক ৱাৎহৌরিবা মফমশিংসু অথুবা মতমদা মেনবা লোইশিন্নবা হোৎনরি।

ফয়ার সার্ভিস (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা য়ুম থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মাওইশিং অমদি ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মফমশিংদা থকবা ঈশিং য়েন্থোকখ্রে। থকনবা অফবা ঈশিং য়েনবগী থবক অসি মখা তানা চথখিগনি। মীয়ামা

থকবা ঈশিংগী দরকার ওইরবদি মণিপুর ফয়ার সার্ভিসতা পাউ পীরকবা বিভাগ অসিগী দিরেক্তর এল. নবচন্দ্রনা হায়রি।

মেট(এল) ঃ ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা চুখিবা নোংজ্গী চাং অসি তেংনৌপলদা মিলিমিতর ৩৪.৫, থৌবালদা মিলিমিতর ২০.৫, তামেংলোংদা মিলিমিতর ২০.৫গী চাংদা নোং চুখি হায়রি। বিষ্ণুপুরদা মিলিমিতর ১৬, চুরাচান্দপুরদা মিলিমিতর ১৪, ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মিলিমিতর ১১.৮ চুখি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ঙসি নুংশিৎ অমদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা হয়েং ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা পোষ্টর কম্পিতিসন, ইনভাইরোনমেন্টেল মেনেজমেন্ট মোদেল একজিবিসন অমসুং সাইকল রেল্লি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভমনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্লে হায়রি। দাইরেক্তোরেট অসিদা দাইরেক্তর ডাঃ পি. ব্রজকুমারনা মসিগী মতাংদা চেরোল অমদা থোকখ্রে।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী মাংওইননা ঙসি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (কে.এম.সি)না নেসনেল হাইৱে-১৩৭-এ গী নাক য়েৎতগী প্লাষ্টিক বোট্টলশিং শেংদোকপগী থবক চখখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কে.এম.সিগী কেয়ার টেক্কর চেয়ারপার্সন নাওরেম শঞ্জিৎ কুমারনা কাউন্সিল অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা দুকান্দারশিংনা ৱেষ্ট কল্লেক্সন সার্ভিস অসিদা য়াওনবা খঙহনখি। চৎলিবা জন্ ফাওবগী মনুংদা সার্ভিস অসিদা য়াওদবা মীওইশিংগী মীং মীয়ামদা খঙহল্লগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

উ (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা ইনভাইরোনমেন্টল সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ শঙাই প্রোটেক্সন ফোরমনা শিন্দুনা খোংজাইঙম্বা চীং, ৱাই.আই.সি.সি.এল গ্রাউন্দ কৈবুল লমজাউগী মফম কয়াদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফোরমগী সেক্রেটরি জেনেরেল সনায়াইমানা হায়- চহি অসিগী ওইনা পীরিবা থিম- এন্দ প্লাষ্টিক পোল্লুসন হায়বসি য়ামা মরুওইবা অমনি।

মহিলা (এল)ঃ মহিলা সঙ্গীৎ এসোসিয়েসন ককচিং ৱাইরি পার্ট টু খুনয়াইগী ৫০ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ককচিং খুনয়াই লৈকাইদা লৈবা গোবিন্দদা মান্দপতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এসোসিয়েসন অসিগী লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বরশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম বা উৎখি। থৌরম অদুদা এসোসিয়েসন অসিগী থৌমীশিং লৈকাইগী অহল লমন অমদি সঙ্গীৎপু থৱায় য়াওজবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরমগী লোইশিল্লকপদা মহিলা এসোসিয়েসন সঙ্গীৎকী পালা কাংবুনা শকপা সংকৃটন- নাউকা বিলাস মীয়ামদা খুদোল তমখি।

নাগা (এল)ঃ নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলগী ৪৪ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙরাং পনচাইগী চমদিল টাউন হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বোর্দ, কাউন্সিল অমদি সি.বি.এস.ইনা লৌবা পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চান্দেলগী এস.দি.সি- মোথেল সাকানা হায়-

অফবা মহৈরোইশিং পুকিং থৌগৎপীবা অসি য়ামা তঙাইফদে। মহৈরোইশিংনসু থৱায় হকচাং য়াওনা মহৈ মশিং তম্বদা মায় ওনশিন্দুনা তুংগী অফবা য়ুম্বীরেল অমমম ওইনবা হোৎনশি।

সেনাপতি (এল)ঃঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা সেনাপতি জিলাগী মীওইশিংনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা এ.দি.সি. রিলিফ কেম্প সেনাপতিদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা দি.এন.ও, দি.এম.ঐচ.পি সেনাপতি- ডাঃ এন.জি. পিটর মরামনা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা ৱা ঙাংখি। হৌজিক হৌজিক রিলিফ কেম্প অদুদা মীওই ১৪৮ না চংজফম লৌদুনা লৈরি।

অমরোমদা, ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মণিপুরনা শায়োন হোস্পিতাল নম্বোল অমদি হাওটল য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ঐচ.দি.ওগা খুৎশমদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হাওতল থাংজম খুনৌদা লৈবা গেটৱেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ২০০ লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

কেম্প (এল)ঃ  ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি কেম্প অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংজাং থঙ্গাল খুলদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি দাইথাও ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন অহানবা ফাউন্দেসন ডে অমসুং জেনেরেল বোদি মিতিং মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি।

মীফম ঃ   সংসদকী নোংজ্ মীফম মথং থাগী ২১ দগী পাঙথোক্লগনি হায়না সরকারনা ঙসি লাউথোকখ্রে। বিরোধি দলশিংনা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খন্ননবা অখন্নবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমা কৌনবা দাবী তৌরকপদগী নোংজ্ মীফম অসি মথং থাদা পাঙথোকবা লেপখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্ নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা সংসদকী নোংজ্ মীফম অসি মথং থাগী ২১ দগী হৌরগা ওগষ্টকী ১২ দা লোইশিনগনি হায়না ফোংদোকখি। মীফম অসি পহলগামদা তেরোরিষ্টশিংনা মীনুংশি লৈতনা নেপালি অমা য়াওনা ভারত মচা ২৫ হাৎখ্রবা তুংদা ভারতনা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুরগী মতুংদা পাঙথোক্কদবনি। এটেক অদুগী পাউখুমদা ভারত লান্মীনা পাকিস্তান অমসুং পাকিস্তান ওক্কুপাইদ জম্মু কাশ্মীরদা চংজফম লৌদুনা লৈবা তেরোরিষ্ট ১০০ গী মথক্তা হাৎপা ঙমখি। সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী রাজনীতি দল পুমমক্কসু এটেক অসিগী তুংদা অনিরক উন্নখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী উপ-প্রধান মন্ত্রি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রিচার্দ মারলেসকা ঙসি নিউ দিল্লিদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। ভারত অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া লৈবাক অনিনা লম কয়াদা তেংবাং পীননবা ৱাফমশিংসু খন্নখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী উপ-প্রধান মন্ত্রিনা ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা তেরোরিজমগী থৌওংশিং চথরকপা থেংনবদা ভারতকীদমক লেপ্পি। লুচিংবা অনিনা ঙাকশেলগী উদ্যোগকী লমদা তেংবাং পীনবা, অনৌবা টেকোলোজিশিং অমদি খনিনচিংবগী লমদা তোংবাং পীননবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফেদরেল মীখলদা ওষ্ট্রেলিয়ান লেবর পার্তিনা ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা চাউনা মায় পাক্লকপবু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রধান মন্ত্রি এন্থোনি অলবানিজবু মথং চহিদা ভারত্তা পাঙথোক্কদবা এন্যুএল সম্মিৎতা শরুক য়ানবা বার্তনসু তৌখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ৬ তা জম্মু কাশ্মীরদা চত্তুনা লুপা কোতি ৪৬ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা শঙ্গাগনি, খরনা যাত্রা হুনগনি। মফম অদুদা রেল লম্বীগী খুদোংচাবা হেন্না ফংহন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎকদৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা চেনব রেল ব্রিজ অমসুং অঞ্জি

ব্রিজসু শঙ্গাগনি। শ্রী মোদিনা বন্দে ভারত ত্রেনসু লমথাগনি হায়রি।

অসাম ঃ অসামদা হৌজিক ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুনা লৈরি। ঈচাউ অসিনা রাজ্য অসিগী জিলা ২১ গী মীওই লাখ ৬ লিশিং ৩০ হেন্না অৱাবা নংলি। ঈশিং ঈচাউ অসিদা শিখিবা মীগী মশিং ১২ শুখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ঈচাউগা মরী লৈননবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক্তা মীওই লৈখিদে। খুঙ্গং লিশিং ১,৫০০ হেনবা অমসুং মহৈ মরোং থাবা লম হেক্তর লিশিং ১৪ হেন্না ঈচাউ অসিনা শোকহল্লে। রাজ্য সরকারনা এস.দি.আর.এফ অমসুং এন.দি.আর.এফ টিমশিং শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক চথুরি।

অসামদা ঙসি ৬ নি চনবা নুমিৎ ফাওবদা ঈচাউগী ফিভমদা অহোংবা লৈতে। ব্রহ্মপুত্র, বরাক অমসুং মসিগী মশা তুরেলশিংদা ঈশিংগী ঈমায় খুদোংথিবা য়াবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। অসাম দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী মতুংইন্না রিলিফ কেম্প ২২৩ দা মীওই লিশিং ৪০ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি। মেট দিপার্টমেন্টনা রাজ্য অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

ফুটবোল ঃ সাউদি অরাবিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা এ.এফ.সি এসিয়ান কপগী ক্বালিফায়রগী মাংওইননা ভারত অমসুং থাইলেন্দ অনিগী মরক্তা ফিফা ইন্তরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমা থাইলেন্দগী থামাসা ষ্টেদিয়মদা হৌজিক শান্নরি।

হৌজিক অনিসুবা হাফ ফাওবদা থাহলেন্দনা পাঞ্জল ২-০ দা মাংজিল থারি। ভারতকী টিম অসিদা মণিপুরদগী শান্নরোই ৭ য়াওরি। থা অসিগী ১০ দা ভারতকা হোং কোংগা শান্নগনি।

------